ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, মার্চ ০৯, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৩৩৮শুবা মশীং

## য়াওশঙ কুম্মৈনা অমুক থুংলরবদা

### য়ারিবমখৈ মী পূনবা থৌরম পাঙথোক্তনবা হোৎনফম থোকই

লেপ্তুনা চৎপা মতমগী খোঙচৎ মতুং ইন্না লমতাগী ১৫নি পানবদা চহী খূদিংগী হেক-হেক পাঙথোকপা য়াওশঙ কুম্মৈ থুংলরে। মীওই অয়াম্বা পূন্সিগী তঙাইফদবা থৌদাং ফাওবা কাউথোক্লদুনা নুমিৎ ৪/৫ নিদি কুম্মৈ অসিদা লুপখ্রগনি। চহী লোইবা অমসুং অনৌবা চহী হৌবগী থৌরমদা হরাও-মথোই কান্নখিবা ইকুই-কুইদ্রিঙৈগী মতুংদা খঙহৌদনা য়াওশঙ অমুক থুংলরে। কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নবা লমদম ওইবনা মাগী-মাগী লাইনিং অমসুং চৎনবী মতুংইন্না হরাও-কুম্মৈগী থৌরম পাঙথোক্লবা মথৌ তাই হায়জরগসু মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা হরাও-কুম্মৈগী মশীং অসুক্কী মতীক য়ামখ্রে। দিসেম্বর ৩১ দা অরিবা চহী লোইবা নুমিৎনি হায়দুনা অহিং চুপ্পা লাঙনৈ। নোংঙাল্লগা জন্যুৱারী ১ দনা অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি হায়দুনা মীপূম তিংনা হরাওনৈ অমসুং চাক চান্নৈ। কনাগুম্বনা পিকনিক নৎত্রগা কোয়বা চৎনৈ। য়াওশঙ কুম্মৈ অসিসু নুমিৎ মঙানিদগী হেন্দোক্তুনা নুমিৎ ফনা য়াম্না চোন্থরবা ফাওবা লৈশাবীশিংগী, মৌশিংগী অমসুং পাখংশিংগী হায়দুনা তোঙান-তোঙান্না চাকচা-হৈজানবা, ঈশৈ-নোংমাই অমদি লীলানচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্নৈ। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী কুম্মৈনি হায়জরগসু য়াওশঙদা লাইনিং খূদিংমক্কী মীওইশিং য়াওশিনবগী মওং অমা উবা ফংলি। কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না য়াওশঙ মৈ থারবা মতুংদা পীক্লিবা অঙাংশিংনা য়ূমথোঙ খূদিং নাক্কথেং চৎপদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে হায়না লৌরগসু মৌনহাদগী হৌরগা অহল ওইরবা মীওইশিং ফাওবনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা খঙনবা-খঙনদবা থিদনা য়ূমথোঙ খূদিং শেল খায়বা চৎপগী থৌওং অমা চথরক্লে। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা কুম্মৈ অসি পাঙথোকপগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক কয়া লৈজরগসু মণিপুরদদি মরম ইরৈ-লৈতনা হরাও-কুম্মৈ অমনি হায়বগী মওংদা মানা-মানা পাম্বা মওংদা কা-হেন্না লাঙথোকপরোমদা ওইনা চত্থরকপগুম তৌরি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম, অমসুং মপান লৈবাক্তা চোইনা খুন্দাখ্রবা ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা "হোলি" হায়না কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লগসু মণিপুরদদি য়াওশঙ হায়না খঙনৈ। হিন্দু লাইনিংগা খরা হেন্না নকশিন্ননা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা মওংদা পাঙথোক্লিবনা উত্তর প্রদেশকী মথুরা মনাক্তা লৈবা বর্সনা টাউনদনি। তোঙান-তোঙানবা মফমদা লাইনিংগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অসি মণিপুরদদি পুমতোপ-তোপ্পা মওং অমদা কা-হেঞ্জিন্না ঈথক-ঈরাং লোমদা ওইনা চত্থরকপগুম তৌরি। য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা চোংলিবা থাবলসু লমদমসিগী নাৎকা মরী লৈনরম্ববুদি য়াই হায়ববু কান্নদবদা কা-হেন্না ঈথক-ঈরাং তৌবনি হায়না লৌবদা থোইদোক্না লানগদবা মান্দ্রে। থাবল চোংবা হায়বসি মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইগী নাৎকা মরী লৈনবা থৌওং অমা ওইবা তারবদি য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈনফম থোক্তবরা খল্লি। মরমদি থাইনা মমাঙঙৈ, লাই হাক্তক্তগী লমদমসিদা থাবল চোংবগী চৎনবী লৈরক্লে হায়রগসু য়াওশঙ হায়বসিদি লমদমসিগী ওইজবা কুম্মৈ নৎতে। মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং চঙলকখ্রবা মতুংদা য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। মরম অদুনা য়াওশঙ মতমদা লৈকাই খূদিংগী থাবল চোংনরিবসি মপান্দগী চঙলকপা লাইনিংগী চৎনবীনা লমদমসিগী ফজরবা নাৎকী শক্তম পূন্নমক তপ্না-তপ্না য়োৎশিনখিবনি হায়না লৌবা য়াই। অকক্লবা কাঙলূপ অমগী লাইনিংদা অমসুং লাইনিংগা মরী লৈনবা কুম্মৈ পাঙথোকপদা থোইদোক্না য়ানিংদবগী ৱাফম লৈতে। অদুম ওইনমক লাইনিংগী মিংদা তাঙলবা নুমিৎ মঙানিগী মতম অরেম্বদা মাঙহল্লিবসি অচুম্বা থৌওংলা হায়বদু খন্থমিন্নবা মতম ওইরে। তঙাইফদনা লাইনিংগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না পাঙথোক্তবা য়াদে হায়রগসু য়ারিবমখৈ খুন্নাইদা অমসুং অতোপ্পা লাইনিং চৎপা মীওইদা অকায়বা পীদনবা হোৎনফম থোকই। হৌজিক এগজাম থারিবা অমসুং থাগদবা মহৈরোয় কয়ামরুম লৈরি। মসিগীসু মথক্তা লৈকাই খূদিংগী য়াওশঙ মৈ থাবদা উ-ৱা, চরূ কয়া অরেম্বদা মাঙহল্লিবা অমদি মসিনা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা শোকহল্লক্লিবা পূন্নমক খন্থমিন্নবা চুম্মী। লৈকাই খূদিংগী চোংনরক্কদবা থাবলগী মখোলনা এগজাম থাগদবা মহৈরোয়শিং অমসুং ঈংনা-চিক্না পোত্থাজ নিংবা অহল-লমনশিংদা পীগদবা চৈথেং অদুগী মতাংদসু খন্থবা মতম ওইরে। অমরোমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হৌজিক কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্লিবসিগী য়েংলগা য়াওশঙ কুম্মৈ অমসুং থাবল চোংবগুম্বা মী পুনবা থৌরম পাঙথোক্তনবা হোৎনফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।

(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?

(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেম্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে?

২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মম্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোর্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?

৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু।

৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## বাইও দাইভর্সিতিগী মরু ওইবা অমসুং মসিবু মাঙদনবা থৌরম খরা

**এস সুমঙ্গল**

মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা (পাম্বী, মীওইবা য়াওনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তিল-কাং, হিংকুপ) খুদিংমকপু পূন্না বাইও দাইভরসিটি হায়না খঙনৈ। হায়রিবা অপুনবা মশীংসিগী খরা খরা লমদম খুদিংমক্তা মাগী মাগী হৈনজবা/চানজবা মফমশিংদা চাইথোক্তুনা হিংলিবনি। মফম অমদা হিংবা থৱায় পানবা অমা অতোপ্পা মফম অমদা লৈরমদবা য়াই। খুদম ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা কঙ্গারু মণিপুরদা লৈতে। মণিপুরগী সঙাই মালেমগী অতৈ মফমদা লৈতে। কাশ্মিরগী এপল (সেম/সেভ) অতোপ্পা মফমদা মপূং ফদবা য়াই। অদুবু লমদম খরদদি অতোপ্পা লমদম খরদগী কা হেন্না ঈশিং-নুংশিৎ, চীং-মান, পাৎ-তুরেল য়াম্না খেন্ননা লৈরম্বা য়াই। অদুগুম্বা খেন্নবনা থল্লবা মফমশিংদুদা থৱায় পানবা কয়াগী মশীং অসি কা হেন্না য়াম্না লৈফম থোকই। অসুম্না মণিপুরগী শরুক য়াওনা খেন্নরবা কয়ানা পিক থল্লবা মফমশিংগী ফীভম্না অতৈ অতোপ্পা লমদমশিংদগী কা হেন্না থৱায় পানবশিংগী মশীং হেন্না ফংলিবনি। মসিবুনি বাইও দাইর্ভস ওই হায়নরিবসি। মখল য়াম্না ফংই, বাইও দাইর্ভস ওই হায়বসিদি য়াম্না লাইবক ফৈ, চাওথোকচনিঙাই ওই। অদুবু লাইবক থীবা অমনা য়াল্লবা থৱায় পানবশিং অসিদগী কয়া অমা মুৎখ্রে। অসুম্না য়ামখ্রবা থৱায় পানবশিং অসিগী তাংজফম ওইরিবা লৈফমগী চাদা ৭০ গী চাং য়ৌনা কিনিঙাই ওইবা মওংদা মাঙশিল্লক্লবা/কোকশিল্লক্লিবা অসিনি। মফম অদুবু বাইও দাইর্ভস ওইখ্রবা মফমশিংদুবু ঙাক শেনবা ঙম্নবা হোৎনহৌদবা, ঐখোয়গী হিংবদা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং ফংনবা হোৎনবনা হেন্না তঙাই ফদবা ওইখিবনা অমদি অতোপ্পা মরম কয়া অমদগী মসি ঙাকপা ঙমহৌরমদবসু ওইরম্বা য়াই। হায়রিবা পূন্নমকশিং অসি মীওইবা ঐখোয়না পায়খৎপা থবক থৌরমশিংনা থোকহনবনা অয়াম্বনি। অসুম্না মালেমদা মফম ২৫ খক্তি হৌজিক বাইও দাইর্ভসিতি হোট স্পোট ওইরে হায়না লাওথোকখ্রে। মসিগী মনুংদা মণিপুর য়াওনা ইন্দো-বর্মাগী অমদি হিমালয়গী শরুকশিংসু য়াওখ্রবনি।

থমজনিংলিবা ৱাফমদি হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবশিং খুদিংমক মাগী মাগী থৌদাং লৈ, অমগা অমগা মরী লৈনৈ অমনা অমদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা তাংনৈ, মতেং পাংনৈ হায়বসিনি। লোয়ননা হিংলিবশিং অসিগা মাগী হিংবগী মতেং ওইরিবা অকোয়বগী থৱায় পান্দবশিং অসিগা য়াম্নমক নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বসিনি। অদুনা খল কায়দনা পূন্নমক তুং কোইনা অমনা অমদা অকায়বা পিদনা হিংমিন্নবা হায়বদু ওইহন্নবগী পান্দমদা হৈ শিংলবা মীওইবা ঐখোয়গী লৌশিং, কৎথোকপা, পুকচেল শেংবা, অচুম্বা খঙবা, তুংগী ওইরক্কদবা উবা, মদুবু থৌওইদবা তৌদনা হকচিন্না লৌদুনা পোরম য়াৎথোক্তুনা পুকচেল শেংনা ইশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা পায়খৎপা নত্তনা কান্নরবা কয়া অসি মখা তানা মাঙদনবগী পান্থৈ লৈরোই। মাঙজবা ঙাক্তা ওইহৌগনি। তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু চৈহৌগনি। মসি তরাইবা থবক অমদি নত্তে। লৈফম/তাংজফম লৈরক্তবা শোয়দনা তাংজরম্লিবা থৱায় পানবশিং হিংবা ঙমদদুনা মুৎখিবা তাবনি।

হৌজিক ঐখোয় করি তৌবা তাই? পূন্নমকপু লৈঙাক্লা থৌশিল কয়া শীন্দুনা লমদম লমদমগী ওইনা লৌশিং তাহনবা তাই। পূন্নমক হায়বসিদা কনা কনা য়াওরি? অখঙ অহৈশিং, মরু ওইনা লৈঙাক চুপ্পি পায়রিবশিংগী পুকচেল শেংবা থৌদাং অমদি মীচম মীয়ামশিংগী পুকচেল শেংবা থৌদাং, বাইও দাইর্ভসিতিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী কান্নবা অসি লৌশিং তামিন্নবদা লায়না খঙজিনবা য়াবা অচম্বা খুদম খরা পীজগে - য়েংসি।




হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইনা চাথোক লৈবা ফৌনি হায়না থানরিবশিং খুদম ওইনা তম্ফা, সনা, অকুৎফৌ, ইরৈমা, আর সী এম-৯, ১০, ১২, ১৩, হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখল ২৫ পুথোক্লুনা থানরিবশিং অসি হান্না ঈপা ঈপু হাক্তক্তগী লৈজরম্লবা মোইরংফৌ, ফৌরেন, লাংফৌ অসিনচিংবা হায়রিবা থায়নগী ফৌশিংগা মখোয়গা য়াম্না খেন্নবা মপানগী ফৌশিংগা চারৌ মৌরৌনরগা পোল্লকপা মচাশিংগী মরক্তগী খনগৎলবা শুরোল ঙাক্তনি। মখোয় অসি পুথোক্লমদ্রবদি ঐখোয় ঙসি চরা হেল্লম্লসু য়াই। মহৌশাদগী লৈরম্লবা ফৌশিং অসিদা কান্নরবা অতোপ্পা মগুন কয়া অমসু য়াওরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মখোয়বু ঙাকপি শেনবীদুনা মাঙদনবা হোৎনবা মথৌ তাই। কনানা তৌগনি?

অতোপ্পা খুদম অমা অমুক য়েংশি। মালেমগী ওইনা ভিটামিন এ ৱাৎপদগী মীৎকী লায়না নাদুনা অমদি অতোপ্পা লায়না কয়ানা মিৎ তাংবা অমদি শিবা কয়া অমা থোক্লি। মসি কোক্লবা বৈগ্যানিক অমনা হোৎনদুনা চুম্নগী ফৌদা মীওইবগী হকচাং মনুংদা ভিটামিন এ শুংনবা মচাক বিতা কেরোতিন হায়রিবা মচাক অসি পুথোকপা ঙম্বা জিন হাপচিন্দুনা গোল্ডন রাইস হায়বা সনা মচুগী চেঙ পীবা ঙম্বা ফৌ পুথোকখি। ফৌ অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ইরৱিনিয়া হায়রিবা বেক্তিরিয়া অমা অমসুং দেফোদিল হায়রিবা লৈ অনী অসিদগী জিন লৌথোক্লগা ফৌদা জিনেতিক ইনজিনিয়রিং তৌদুনা হাপচিল্লগা গোল্ডন রাইস হায়রিবা ফৌ মখল অসি পুথোকখিবনি। হায়রিবা বেক্তিরিয়া অমদি দেফোদিল লৈরমদ্রবদি মসি ওইথোক্লম্লমদবসু য়াই। ফৌ মখল অসিনা, চাকনা মরু ওইবা চীঞ্জাক ওইবা এসিয়াগী লায়রবা লমদমদা হিংজরিবা মীওই কয়াদা ভিটামিন এ ফংননবা পুথোকখিবনি।

হন্দক মণিপুরদা ইকঙগুম্বা অমা ফৌ থাগদবা মতমদা থোকখিবা অদুনা মতম চানা ফৌ থাবা ঙমনখিদে। মতমদুদা ফৌ থানরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা মতম থেংজিল্লক্লবনিনা করি ফৌ থারগদি মায় পাক্কদগে হায়না থৱায় য়াম্না ৱানখি। মতমদুদা থেংলবসু থাবা য়াবা ফৌ মখলশিং খূত্তা লৈরম্লবদি করিগী ৱারমগনি। থাবা য়াবা ফৌ মখলশিং খুদম ওইনা আর সী মনিফৌ-১৩, মঙাল, পারি হায়রিবা ফৌ মখলশিং অসি খরা খরা মমাঙ চহীদা থারমদুনা ফৌদি খূত্তা লৈরম্লদি ৱানরম্লোই। অসুম্না ফৌদা নত্তনা অতৈ কান্নরবা পাম্বীশিং খরা খরদা ওইরবসু য়ূমথোঙ অসুক য়াম্বসিনা থানরবদি মাঙখ্রিবা কয়া অমসু কল্লম্বা/কনবা য়াই।

মথক্তা থমজরিবা খুদম খরা অসিনা তাকপদি লৈরিবা থৱায় পানবশিং খুদিংমক অসিদা কান্নরবা মচাক কয়া অমা য়াওরি, মখোয়বু ঙাকপি শেনবিদুনা মাঙহন্দনা থম্বা মথৌ তাই। মসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়বদুনি।

মসি নত্তবা খুদম কয়া অমনি। মরম অসিনা লেংলি পাল্লিবা খুদিংমকপু ঙাক শেনবীদুনা মহৌশাগী খলসু কায়দনবা, মসি কায়বনা ওইরক্লিবা অইং-অশাগী মওংদা হোংলক্লিবা খুদিংমকসিদগী কন্ননবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা ইশা ইশাগী থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়জনিংই। মসিগীদমক লৈরম্লিবা মহৌশাগী ওইবা তাংজফমশিং ঙাক শেনবিদুনা নীংথিনা য়োকখত্তুনা থম্বিবা, লোয়ননা মখোয়গী অনৌবা মফম শেম্বীদুনা মখল কয়াগী অতাঙবা শা-ঙা, পাম্বী কয়াবু নীংথিনা ঙাক শেনবীদুনা য়োকখৎপিবা তঙাই ফদে। ●

## পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবা ঙম্বা অহিংবা জীব (বাইওফর্টিলাইজর)

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

অনৌবা মতমগী লৌউ কাঙলোন (গ্রীন রিভোলুসন) লাকপদগী ঐখোয়না অহেনবা পোত্থোক পুথোক্লবগী পান্দমদা খূৎশেমগী হারশিং হেন্না পোত্থোক পুথোকপা ঙম্বা পাম্বীগী মখলশিং অমদি হায়ব্রিদশিং শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিং নুংশিৎ অমদি লৈবাক্তা মোৎশিলহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তা লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং য়াওবগী চাং হন্থহল্লি লোয়ননা মখোয়গী মরক্তা লৈগদবা খলদা অকায়বা পীবগা লোয়ননা ওর্গানিক মেট্টর হায়রগা খঙনবা শা-ঙা অমদি পাম্বী-শিংবীগী ফত্ত-হৌদিদগী ওইবা লৈবাক লৈশাগী ওইবা শরুক অদু য়াওবগী চাং হন্থহল্লি। খূৎশেমগী ওইবা তিলহাৎ হীদাক, কোকফাই হীদাক অমদি নাপী হীদাক কা হেন্না শীজিন্নবনা লৌউ-শিংউবগী পোত্থোক হেনগৎহল্লবসু মীওইবদা কান্নবা পীবা ঙম্বা তীল, কাঙ অমদি অতোপ্পা হিংকুপশিং (বেনিফিসিএল মাইক্রো ওর্গানিজম) গী মমিং হন্থহন্দুনা লৌফম অদু লৈহাও লৈবা হন্থহল্লি লোয়ননা পাম্বীশিংদা লায়না মখল কয়া নাহন্নবগী মরম ওইহল্লি।

লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মীপুম খুদিংবু চাবা কোন্ননবা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা অহেনবা খূৎশেমগী হার পুথোকপা তারকই। মসিনা ঐখোয়গী অকোয়বা অসি কা হেন্না মোৎশিলহন্দুনা মীওইবা অমদি অতোপ্পা জীবশিংনা হিংবদা খুদোংচাদবা মফম অমা ওইহল্লকই। মরম অসিনা খূৎশেমগী হারশিং অসিগী চাং হন্থহন্নবগীদমক অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবা য়াবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে। অসুম্না পাম্বীশিংদা মচিঞ্জাক পীবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা বাইওফর্টিলাইজর হায়বসিসু অমনি। বাইওফর্টিলাইজর হায়বসি অহিংবা জীব/অমুক হন্না মথৌ পাঙথোকখিবা ঙমগদবা জীবশিং মখোয়না লৈবদা নুংঙাইগদবা পোৎলমশিংদা তোৎশিন্দুনা শেম্বা পোৎচাক অমনি। বাইওফর্টিলাইজরগী তোঙান তোঙানবা মখলশিংনা নুংশিৎতা মরাং কায়না য়াওরিবা নাইট্রোজেনবু পাম্বীশিংগীদমক ফাজিল্লি লোয়ননা লৈবাক্তা মরাং কায়নদি য়াওজরবসু পাম্বীনা লৌখৎতুনা শীজিন্নবা ঙমদবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল খরা পাম্বীশিংনা ফংহনবদা মতেং পাংই অমদি শা-ঙা অমদি পাম্বীশিংগী ফত্ত-হৌদিশিং খোঙজেল য়াঙনা পত্থ-পুমথহন্দুনা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক পীবদা মতেং পাংই।

লৈবাক লৈহাওগী খল ঙাকপা অমদি পোত্থোক পুথোকপদা বাইওফর্টিলাইজরনা লৌরিবা থৌদাং : - বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙমই।

- নুংশিৎতা য়াওবা নাইট্রোজেন ফাদুনা পাম্বীদা পীবা ঙম্বা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিংনা চাংচত্তা চহী অমদা নাইট্রোজেন কেজি ২০-২০০ ফাওবগী চাংদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা পী। মসিনা পাম্বীদা বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নদবা পাম্বীশিংদগী পোত্থোক চাদা ১৫.২৫ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহল্লি। রাইজোবিয়ম য়াওবা বাইওফর্টিলাইজরনা নাইট্রোজেন কেজি ৫০-১০০, এজোসপ্রিল্লিয়ম নৎত্রগা এজোটোবেক্টর য়াওবা বাইওফর্টিলাইজরনা নাইট্রোজেন কেজি ৪০-৮০, ব্লু গ্রীন অলগি হায়বা বাইওফর্টিলাইজর মখল অসিনা নাইট্রোজেন কেজি ২০-৪০ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চহী অমদা পীবা ঙমই।

- বাইওফর্টিলাইজর মখল খরা খুদম ওইনা রাইজোবিয়ু, ব্লু গ্রীন অলগি অমদি এজেটোবেক্টর মখলশিংনা পাম্বীশিংনা থুনা চাওখৎপদা মতেং পাংবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা ভিটামিন বি কমপ্লেক্স, ইনদোল এসিটিক এসিদ, গিবেরেলিক এসিদনচিংবশিং পুথোকপদা মতেং পাংই।

- বাইওফর্টিলাইজর তোৎলবা মরূশিংনা মতোন থুনা থোকপদা মতেং পাংই।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা পাম্বীগী পোত্থোক হেনগৎহনবতা নত্তনা পুথোক্লিবা পোৎলমশিংগী মগুন হেনগৎহল্লি।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পাম্বীনা কান্নবা মওংদা ওন্থোকপদা মতেং পাংই।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা পাম্বীশিংনা মরূ-মরা হেন্না ফাদুনা পাম্বীদা অহেনবা পোৎথোক পুথোকপদা মতেং পাংই।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা পাম্বীশিংনা, নোংজু নুংশা অমদি তিল-কাংনা পীবা চৈথেংগী চাং হন্থহল্লি।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা লৌফম্না লৈবাক লৈশা কুইনা ফনা থম্বদা মতেং পাংই।

- বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবনা থারিবা পাম্বীশিং অদুতা নত্তনা মতুং তারকপদা থাবা পাম্বীশিংগীসু মচিঞ্জাক পী।

তোঙান তোঙানবা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং -

নুংশিত্তা য়াওবা নাইট্রোজেন ফাদুনা শীজিন্নবা ঙম্বা বাইওফর্টিলাইজর (ক) রাইজোবিয়ম (খ) এজোবেক্টর (গ) একোসপিরিল্লিয়ম (ঘ) ব্লু গ্রীন অলগি (৫) এজোলা।

পাম্বীনা শীজিন্নবা ঙমদবা ফোসফরসশিংবু পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা জীবশিং :- মখল অসিগী মনুংদা বেক্টিরিয়া মখলশিং খুদম ওইনা Bacillus Megaterium; B-circulans; B-subtilis, Pseudomonas striata Ligitatum, Trichoderma নচিংবা শীজিন্নবা য়াই।

Vesicular arbuscular mycorrhizaes (VAM) : মখল অসিগী হিংকুপ মখল অসিনা পাম্বীগী থুনা চাওখৎপদা মতেং পাংই। পাম্বীশিংনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং লৌখৎপদা মতেং পাংবদা নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা মখলগী বাইওফর্টিলাইজরশিং অসিদা শীজিন্নবা কয়া হিংকুপশিংগী মনুংদা Endogone, Glomus, Sclerocystis, Acantosporaceae, Entrophosphora, Acanlospora, Gigaspora নচিংবা পনবা য়াই।

Plant growth Promoting Rhizobacteria (PGPR) : পাম্বীগী মরাগী অকোয়বদা লৈবা জীব মখল খরনা পাম্বীশিংবু চাওখৎপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা জীব মখলশিং অসিগী মনুংদা Arthobactor Azotobactor, Callermonas Pseudomones, Bacillus নচিংবা পনবা য়াই।

তোঙান তোঙানবা জীব মখল খরদি Salphur, Potosh and Zinc নচিংবা পাম্বীশিংদা ফংহনবদা মতেং পাংই।

অসুম্না তোঙান তোঙানবা হিংকুপ মখলশিং অসি শীজিন্নদুনা পাম্বীগী দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং ফংহন্দুনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা লিশাংশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফম অমা ওইহনবগা লোয়ননা মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইবদা পূন্নমকসু থৌদাং লৌমীন্নবগী মতম অদু য়ৌরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।